# প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা জে এন কেদা ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী শাংবা রোদ টনেল শঙ্গাখ্রে



*জম্মু, এপ্রিল ২ঃ*

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী শাংবা রোদ টনেল শঙ্গাখ্রে। জম্মু-শ্রীনগর হায়ৱেগী গারী চখোক-চৎশিন তৌগদবা খ্বাইদগী শাংবা রোদ টনেল অদু শঙ্গানবগীদমক ষ্টেট শীন-থুংনা সিক্যুরিটিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখি।

টনেল অদু শঙ্গাদ্রিঙৈ মাংওইননা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর (ষ্টেট) জিতেন্দ্র সিংহনা ফোঙদোকখিবদা জম্মু অমসুং কাশ্মীরদা খ্বাইদগী চাওবা টনেল অমা মীয়ামদা খুৎশিন্নবগী তাঞ্জা লাকপদা চাওথোকচবা ফাওই। টনেল অদু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা শঙ্গাখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টরগী অনৌবা ইন্দিয়া হায়বা ৱাখল্লোল অদুগা লোয়নননা থৌশিলশিং অদু পায়খৎখিবনি। প্রাইম মিনিষ্টরনা ঙসি উধম্পুর দিষ্ট্রিক্টকী বটালদা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীফম অমদা হায়, নৌনা হাংদোক্লিবা টনেল অসি লুপা ক্রোর ৯৯ চংনা শাখিবনি।

টনেল অসি হাংদোকপনা শাংনা অমদি কোইনা লম্বী চৎপদা চংগদবা থাওগী মমল লুপা লাক্ষ ২৭ কনবা ঙম্লগনি। অনৌবা টনেল অদুনা জম্মু অমসুং কাশ্মীরগী মরক্তা চৎপগী মতম পুং ২ হন্থহল্লগনি। টনেল অদুগী অশাংবা অদু চেন্নাই অমসুং নাসরি ফাওবা চৎপগী অশাংবগা মান্নে।

কিলোমিটর ১০.৯ শাংবা টনেল অদুনা কিলোমিটর ৪১ শাংবা লম্বী চৎকদবদগী হন্থহল্লগনি। গেম চেঞ্জর অমা ওইনা অওনবা অসি পুরক্লে। মখা তানা য়েংশিনবগী তঙাইফদবা লৈ।

টনেল অদু ফাওনা চৎপদা ঈশিং নুংশিৎকী খুদোংচাদবা অমদি উন তাবগী খুদোংচাদবশিং মায়োক্লবা হন্থহল্লগনি। লল্লোল ইতিক্কী লমদসু হেন্না ফগৎহনবগা লোয়নননা রেভিন্যুদসু হেন্না ফগৎহল্লগনি। মদুতা নত্তনা লম কোইবা লাকপা মীওইশিংগী পুক্লিং সু চীংশিনবা ঙম্লগনি।

চেন্নাই-নসরি টনেল ইন্দিয়াগী ওইনা অহানবা অদুগা মালেমগী ওইনা ৬শুবা খ্বাইদগী শাংবা টনেল ওইখিবনি। হৌজিক্তি নৌনা হাংদোক্লবা টনেল অসিনা ইন্দিয়াগী ওইনা খ্বাইদগী শাংবা টনেল ওইরগনি।

টনেল অদুগী মনুংদা তঙাইফদবা অশেংবা নুংশিৎ ফংহনবগী খুদোংচাবসু হাপ্লি। হকচাং শোক্লিংঙাই ওইবা অমদি গারীশিংদগী থাদোরকপা মৈখুশিং লোয়নননা কারবোন্দাইওক্সাইদ চীংথোকখিনবা সিষ্টেমসু লৈরে।

লুপা ক্রোর কয়া চংনা মীয়ামগী শাফনবা অমসুং থুনা চৎপা য়াননবগীদমক টনেল অদু শেম শাখিবনি। টেক্নোলোজিগী ওইনা খ্বাইদগী হেন্না এদভান্স ওইরবা মওংদা টনেল অদু শেমগৎলে। চীংগী অঙম্বা চীংমাই অমসুং অখুবা লম্বীশিংদা গারী চখোক চৎশিন তৌবগী খুদোংচাদবা অদু হন্থহল্লগনি হায়না এ বি বি ইন্দিয়াগী মেনেজিং দাইরেক্টর সঞ্জিব শর্ম্মনা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি টনেল অদু হাংদোকপগী থৌরম অদুদা মশিং য়াম্লবা মীওই কয়া থোক্লত্তুনা শরুক য়াখি। সিক্যুরিটি ফোর্সনা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখি। স্পিসিয়েল প্রোটেক্সন গ্রুপ (এস পি জি)গী লুচিংবা অমদি পার্সোলেনশিংগীদমক হেলিপেদ অহুম শেম শাখি। লোয়নননা সিক্যুরিটি ফোর্সনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখি হায়রি।

# ম্যান্মার বাই ইলেক্সনদা ওন সান সু চিগী পার্টিনা সিট ৯ ফংখ্রে





*য়াঙ্গোন, এপ্রিল ২ঃ*

ম্যান্মারগী লুচিংবী ওং সান সু চিগী পার্টিনা লৈবাক অদুদা পাঙথোকখিবা সিট ১৯গী বাই ইলেক্সনদা সিট ৯ ফংখ্রে। মমাঙদদি মহাক্কী পার্টিনা মশিং য়াম্বা সিট ফংদুনা লৈঙাক পায়খিবনি। মখা তানা পাঙথোকখিবা বাই ইলেক্সন অদুনা মশিং য়াম্বা সিট ফংগনি হায়বগী আশা তৌখিবনি।

লুচিংবী অদুনা লৈঙাক পায়রিঙৈ চৈরক অসিদা লৈবাক অদুদা কাংলুপকী হিংশা কয়া থোকপনা মরম ওইরগা লৈবাক অদুগী শেল-থুমগী ফিভমদা খোঙজেল তপথহল্লকখি।

ঙসি ফল লাউথোকখিবা বাই ইলেক্সনগী সিট ১৯গী মনুংদা ওং সান সু চিগী পার্টি নেসনেল লিগ ফোর দিমোক্রেসিনা সিট ৯দা মায় পাকখ্রে হায়না য়ুনিয়ন ইলেক্সন কম্মিসননা লাউথোকখ্রে। লুচিংবী অদুনা মরক্কী মীখল অদুদা সিট মশিং হেন্না ফংগনি হায়না অৱাংবা আশা তৌখিবনি হায়রি।

চয়োল অমগী মমাঙদা ওং সান সু চিনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা হৌজিক শান্তিগী থবক থৌরম অমসুং চাওখৎ মায়কৈদা থিন্থবা কয়া লৈরে হায়বদু খঙবা ঙম্লে। লমদম অদুদা থোক্লিবা কাংলুপ মশেলগী মরক্তা খুৎ থোক্লদুনা উংখৎনরিবা অদু লোইশিনবনা মহাক্কী লৈঙাক্কী অহানবা পান্দমনি।

ম্যান্মারদা থোক্লিবা সিভিল ৱার অদু লোইশিন্নবা মীৎয়েং থল্লি। হন্দক পাঙথোক্লিবা বাই ইলেক্সন অসিগী ফল অদুনা মহাক্কী পার্টিনা পার্লিয়ামেন্ট পায়বদা থোইদোকপা মরম অমতদা কায়হল্লকপা লৈরোই।

এন এল দিনা চাওনা মেজোরিটি ফংদুনা লৈরি। এন এল দিগী মকোক থোংবা লুচিংবা ব্রিন টেইননা হায়, পার্টি অদুনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লখি। মদুগী মনুংদা সান ষ্টেটতা থোক্লিবা খুৎলায় পায়বা লালহৌ অদুসু অমনি।

মমাঙ থাদা লমদম অদুদা থোক্লিবা হিংশাগী থৌদোক অদু হেন্না পাকথোক চাওথোরকপা থেংনরে। সান ষ্টেটতা ফিভম ফগৎহন্নবা হোৎনরি। লমদম অদুগী মীয়ামদা বর্মিসশিং খঙবা ঙমদ্রে। মরম অদুনা পায়খৎলিবা রাজনিতিগী থৌশিলশিং অদু সান লোলদা ওন্থোক্তুনা খঙহনবগী তঙাইফদবা লৈরে।

লমদম অদুদা লৈরিবা লালহৌবশিংগা লান্মীগা অকনবা মওংদা খুৎ থোক্লরি। ওং সান সু চিনা ওফিস পায়রকপা মতমদগী মখল মখা কয়াগী ৱাথোক কয়া থোক্লি। মীওই ১,৬০০ হেনবশিং ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা চেন্নখ্রে হায়বা ৱাফম য়ুনাইটেদ নেসন্সনা ফোঙদোরকপা লৈখি।

লৈবাক অদুগী ভোটর মিল্লিয়ন ২গী মনুংদা চাদ ৫ খক্না হন্দক্কী বাই ইলেক্সন অসিদা ভোট থাদনগনি। ষ্টেট ৮দা লৈবাক অদুগী ভোটর চাদ ৫না মীরেপ অদুগী মরাইবক লেপকদবনি। এন এল দি লৈঙাক চহী ১ মপুং ফারক্লে। মপুং ফানা লৈঙাক চখুরি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

নোভেল প্রাইজ ফংখ্রবী ওং সান সু চিনা লৈঙাক চল্লাইবদা রখিন লমদমদা মুস্লিম অমসুং মশিং য়াম্বা কাংবুশিংগা খুৎ থোক্লবগী থৌদোক কয়া থোকখি। মদুদা মালেমগী ওইনা লৈঙাক অদুদা য়ানিংদবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লরকখিবসু লৈখি হায়রি।

# হু চেনবা চিঞ্জাক চারুবনি চিংনবা সি আর পি এফ লান্মী ১৬৮ লায়কন্নখ্রে

*থিরুভনন্থপুরম, এপ্রিল ২ঃ*

থিরুভনন্থপুরমগী পালিপুরমদা লৈবা সেন্ট্রেল রিজার্ব পুলিস ফোর্স (সি আর পি এফ)কী পার্সোনেল ১৬৮ হু চেনবা চিঞ্জাক চারুবনি হায়বগী চীংনবা মওংদা লায়কন্নখ্রে। থৌদোক অদুগী মতাংদা থিগৎনবা ওথোরিটিনা খঙহনখ্রে হায়রি।

ঙরাং নুমিদাং পুং ৭.১৫ তাবদা লান্মীশিং অদু মখোয়দা পীবা চিঞ্জাকশিং চাখি। মিনিট খরগী মতুংদা মশা নুংঙাইরক্তবগী ৱাকৎ কয়া লাকখি। লান্মীশিং অদু ওবা, কোক চিকপা অমসুং চাকখাও নাবগী লায়ওং কয়া উৎলকপদগী হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি হায়না সি আর পি এফকী ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোরক্লি।

মীওইশিং অদু তোঙান-তোঙানবা হোস্পিটালশিংদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি। মীওইশিং অদুগী মনুংদা ৫০দি মখা তানা লায়কন্নখি। ত্রিবান্দম মেদিকেল কলেজ হোস্পিটালগী মতুং ইন্না হোস্পিটাল অদুদা অনাবা লান্মী ১১১ পুখৎতুনা লায়েংখি। মখোয়গী ফিভম খুদোংথিনিংঙাই ওইদ্রে।

অহানবা ওইনা থিগৎপদা খঙবা ঙমখিবদি লান্মীশিং অদুদা পীবা ঙা থোংবা অদু চারুবদগী লায়ওং কয়া উৎতুনা লান্মীশিং অদু নারকখি। ঙা অদু মনাক নকপা কৈথেলদগী লৈখিবনি হায়বা খঙবা ঙম্লে। হিরম অদুগী মতাংদা থিগৎপা হৌখ্রে। নুমিৎ ৭ / ৮নিগী মতুংদা চপ চাবা ৱাফম অমা খঙবা ঙমগনি হায়রি।

কেম্প অদুদা লান্মী ৪০০ লোম লৈবনি। হু চেনবা চিঞ্জাক চারুবনি চিংনবা লান্মী ১৬৮ ওবা, কোক চিকপা অমদি চাকখাও নাবগী লায়ওং উৎলকপদগী হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি।

সি আর পি এফনা ফুদ সিক্যুরিটি ওফিসিয়েলশিংগী মথক্তা ৱাকৎ অমা থাঙ্গৎখ্রে। মখোয়না চাখিবা চিঞ্জাকশিং অদুগী সেম্পল লৌখৎলে হায়না ষ্টেট হেল্থ মিনিষ্টর কে কে স্যালাজানা লায়কন্নরিবা হোস্পিটালশিং অদুদা চৎলুরবা মতুং ফোঙদোকখ্রে।

# খুৎ থোক্লবদা য়ু কে দি এ মিলিটেন্ট ৩ হাৎখ্রে

*দিফু, এপ্রিল ২ঃ*

অসামগী দিফুদা য়ুনাইটেদ কুকিগ্রাম দিফেন্স আর্মী (য়ু কে দি এ)গী মিলিটেন্ট ৩ হাৎখ্রে। অদুগা অমনা অশোক অপন নংখ্রে। কারবি অঙলোং দিষ্ট্রিক্টতা সিক্যুরিটি ফোর্সকা খুৎ থোক্লবদা মিলিটেন্টশিং অদু হাৎপা ঙমখিবনি হায়না পুলিসকী পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি।

অকক্লবা পাউ অমা ফংবদগী লান্মী অমসুং পুলিসকী অপুনবা খুৎপু অমনা মাঞ্জা পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা জুলিয়ান খুঙ্গংদা চংশিনখি। সিক্যুরিটি ফোর্সনা চংশিনখিবদা মিলিটেন্টশিং অদুগা অকনবা মওংদা খুৎ থোক্লখি। থৌদোক অদুদা মিলিটেন্ট ৩ হাৎপা ঙমখি। মখা তানা লমদম অদুদা থি-হুন্বগী থবক চখুরি।

মনুং হুঞ্জিনবা খুঙ্গংগী লম অদুদা পুলিস অমদি লান্মীগী অপুনবা খুৎপু অদুনা চখুরিবা ওপরেসন অদুগী মখা তাবা পাউ ঙাইরি হায়রি।

# কাশ্মীর জেলদগী ফোন ১৬ ফংলে



*শ্রীনগর, এপ্রিল ২ঃ*

কাশ্মীরগী বরামুলাদা লৈবা জেলদা তোখাই তানিংবা কাংবুশিংনা ষ্টেট অদুদা তংদু লৈতাদনবা থৌশিল পায়খৎনবা থৌওং চখবগী খুদম অমা ওইনা মোবাইল ফোন ১৬ শীজিন্নরম্বদগী ফাগৎপা ঙমখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট জেল অদুদগী পুলিসনা থি-হুম্বগী থবক চখবদা সেল ফোন ১৬ ফংবা ঙমখি। পুলিসনা হায়, টেরোরিষ্টগী হকচিনবা অমদি তোখাই তানিংবা কাংবু কয়া জেল অদুদা লৈরি। মখোয় পাকিস্তানদগী মমায় চুম্লক্লি। মদুনা মরম ওইরগা ষ্টেট অদুদা তংদু লৈতাদবা ফিভম অমা থোক্লি।

ফাগৎখিবা সেলফোনশিং অদুদা য়াওরম্বা ৱাটচ এপসকী খোঙ্গুল লিবদা পাকিস্তানদগী কোল তৌরকপা ওইরমখি। মিলিটেন্ট খরদগীসু চপ মান্নবা মওংদা ফোন কয়া ফাগৎখিবা লৈখ্রে।

ৱাটচ এপসকী খুথাংদা পাকিস্তানদা লৈবা নম্বর খরগা পাউ ফাওনরম্বা থেংনখি। হিরম অদুদা কুপ্না য়েংশিল্লি হায়না বরামুলা এস এস পি ইমতিয়াজ হুসেননা ফোঙদোরক্লি।

সেপরেটিষ্ট লুচিংবা মসারদ অলম য়াওনা মীওই অনীদগী সেল ফোন অনী ফাগৎপা ঙমখি। মীওইশিং অদু ইং ২০১০দা কাশ্মীরদা তংদু লৈতাদবা ফিভম অমা থোকহনবদা চেন্নবা মীওইশিংনি হায়রি।

মাসরদ অলমদগী অতোপ্পা পোৎলম কয়াসু ফাগৎখি। হিরম অদুগী মতাংদা কুপ্না য়েংশিল্লি। মহাক্কী মথক্তা আইনগী মখাদা লৌখৎপা য়াবা থবকশিং লৌখৎকনি হায়নসু হুসেননা ফোঙদোরক্লি।

# কলম্বীয়াদা ঈচাও, মদস্লাইদনা মীওই ২৫৪ শীহনখ্রে



*মোকোৱা, এপ্রিল ২ঃ*

কলম্বীয়াগী সহর মোকোৱাদা অকনবা মওংদা নোং চুবনা মরম ওইরগা ঈচাও অমসুং মদস্লাইদ থোকপদগী য়ামদ্রবদা মীওই ২৫৪ শীখ্রে। অদুগা মীওই চা কয়ানা অশোক অপন নংখ্রে।

থাংজ নুমিৎকী অয়ুক অঙনবদা থোকখিবা ঈচাও অমসুং মদস্লাইদনা মরম ওইরগা য়ুম কয়া মাংহন তাকহনখি। অকনবা নোং অদুনা লমদম অদুদা চেনবা তুরেল কয়া ঈমায় পাথোক্তুনা চেলহনখি।

য়ুম অমসুং লম্বী কয়া ঈশিংনা চেন্থরকপা নুঙ অমসুং লৈঙোইনা ফুমজিনখি। খা নোংচুপ থংবা হুটুমাইয়ো প্রোভিন্সকী কোনুংগী লম্বী কয়াদা চেন্থরকপা লৈখোম লৈনাংনা গারী কয়া ফুমজিন্দুনা লৈবা উরি।

মতম চাদনা চুরকখিবা অকনবা নোং অদুনা লমদম অদুদা চাওনা খুদোংচাদবা মায়োক্লহল্লে। থাংজ নুমিৎকী নুমিদাং পুং ১১দগী মথংগী নুমিৎ নোংমাইজিংগী পুং ১ ফাওবদা কা হেন্না কনবা নোং চুখি হায়না মেরিও উসাল কৌবা চহী ৪২ রোম শুরবা মীওই অমনা ফোঙদোরক্লি।

মীওই অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মহাক্কী মনেম্বোক থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা মাংখি। মহাক মফম অদুদগী কিলোমিটর ২ রোম লাপ্পা লৈবা মফমদগী হিংনা ফংবা ঙমখি। মহাক্কী কোক অমসুং হকচাংগী শরুক কয়াদা শোকপনা মরম ওইরগা ভাব তাদনা লৈরম্বা থেংনখি।

কলম্বীয়াগী প্রসিদেন্ট জুৱান মনুৱেল সান্তোস খুদোংথিবা নংলিবা মফম অদুদা চংশিন্দুনা য়েংশিনখি। খুদোংথিবা নংলবা মীওইশিংদা পাংবা মতেং পাংগনি। মীওই কয়া শীখ্রবগে হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি হায়না ফোঙদোরক্লি।

# নেসনেল হায়ৱে মনাক্তা য়ু য়োনবা থিংবনা মীওই মিল্লিয়ন ১ রোমদা খুদোংচাদবা থোকহনগনৌরি




*ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২ঃ*

সুপ্রিম কোর্টনা নেসনেল হায়ৱে মনাক নক্লা য়ু য়োনবা অথিংবা থমখিবগী মতাংদা গুরুগ্রামদা লৈবা ফাইব ষ্টার হোটেলশিংগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা ওইরক্লিবা ফিভম অদুগী মতাংদা খন্নখ্রে।

নিতি অয়োগকী লুচিংবা অমিতাব কান্তনা হায়, য়াথং অদু খন্ননিংঙাই ওই। কোর্ট অদুনা পীরিবা য়াথং অদুদি য়ু থক্তুনা গারী থৌবা লাকশিন্নবা অমদি নেসনেল হায়ৱেশিংদা লম্বীগী খুদোংথিবা থোকপশিং লাকশিন্নবা ফোঙদোকপা ৱাফম অমনি।

নেসনেল হায়ৱে মনাক নকপশিংদা য়ু য়োনবা থিংজিনবা অদুনা মীওই কয়াদা থবক ফংদবগী খুদোংচাদবা মায়োক্লরগনি।

গুরুগ্রামদা নেসনেল হায়ৱে মনাক নক্লা বার অমসুং পভ ২০০ লোম লৈ। ঙসি লৈঙাক অদুনা খন্নখিবদা টুরিজমনা মীওই কয়া থবক পীরি। মদু করিগীদমক মাং হনগদৌরিবনো। সুপ্রিম কোর্টকী য়ু থিংবগী য়াথং অদুনা মীওই মিল্লিয়ন ১রোমদা থবক ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লহল্লগনি।

নুমিৎ খুদিংগী য়ু থক্লগা গারী থৌবনা মরম ওইরগা সেকেন্দ ৪দা মীওই অমমমগী পুন্সি মাংলি। লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা কোর্ট অদুনা লম্বীগী মতাইদা লৈবা য়ু য়োনবা দুকান কয়া থিংজিন্নবা ৱারেপ লৌবদা পেন্দবা মীওই কয়া লৈরি। য়াথং অদুগী মতুং ইন্না নেসনেল হায়ৱে মনাক নক্লা লৈবা য়ু য়োনবা দুকানগী লাইসেন্স মার্চ ৩১দগী রিন্যু তৌররোই।

য়াথং অদুগী মতুং ইন্না নেসনেল হায়ৱে মনাক নক্লা অমদি মিটর ৫০০গী অরাপ্পা লৈবা দুকান অমদি রেষ্টুরেন্ট কয়া থোঙ লোনশিনখ্রে। ওফিসিয়েলশিংনা সুপ্রিম কোর্টকী য়াথং অদু থুগাইবশিংগী মথক্তা অকনবা থবক লৌখৎকনি হায়না ফোঙদোক্লি।

ঙসি নুমিৎ য়ুংবা মতুং গুরুগ্রামদা লৈবা ফাইব ষ্টার হোটেল, মরু ওইনা লিলা, ওবেরোই, টাজ অমদি রেষ্টুরেন্ট অমসুং বারগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা সুপ্রিম কোর্টকী ৱায়েল অদুগী মায়োক্তা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

হোটেলশিং অদুনা ফোঙদোকখিবদা য়ু থক্লগা গারী থৌবা হায়বদু গারী থৌরিবা মীওইশিং অদুগী মখা পোল্লি। বার নত্রগা পবশিং হায়ৱে মনাক্তগী মিটর ৫০০ লাপ্পা নত্রগা লাপ্তনা য়োনবগা মরী লৈনদে। হোটেলশিংনা মখোয়গী লাইসেন্স রিন্যু তৌননবগীদমক লুপা লাক্ষ ১৫ থিরিবনি হায়রি।

# চাইনাদা পোকখায়বগী থৌদোক্তা ৯ শীরে

*বৈজিং, এপ্রিল ২ঃ*

চাইনাগী সাঞ্জি প্রোভিন্সতা ঙরাং নুমিদাংৱাইরম পোকখায়বদা মীওই ৯ শীখ্রে। অদুগা ৬না অশোক অপন নংখ্রে হায়না জিনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিনা রিপোর্ট তৌরক্লি।

পোকখায়বগী থৌদোক অদু লমদম অদুদা লৈবা মী লৈবা য়ুম অমদা আইন কাইনা পোকখায়বা য়াবা মচাক পৈশিন্দুনা থল্লম্বদগী থোকখিবনি হায়রি। থৌদোক অদুগী মতাংদা থিগৎপা হৌখ্রে।

পোকখায়বগী থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা য়ুম অমা নিংখায়খি হায়না ষ্টেট ব্রোদকাষ্টর সি সি টি ভিনা ফোঙদোরক্লি। চাইনাদা নিংথিনা শেম শাদনা থৌশিল পায়খৎপনা মরম ওইরগা ইন্দষ্ট্রিশিংদা পোকখায়বগী থৌদোক কয়া থোক্লি।

মমাঙ চহীগী ওক্টোবর থাদা সাঞ্জি প্রোভিন্সকা য়ুমথংনবা ষ্টেটতা থোকখিবা চাওনা পোকখায়বগী থৌদোক্তা মীওই ১৪গী পুন্সি মাংখিবসু লৈখ্রে। মফম অদুদা আইন কাইনা পোকখায়বা য়াবা মচাক পৈশিন্দুনা থল্লম্বদগী খুদোংথিবা থৌদোক অদু থোকখিবনি। ঙরাং থোকখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা থিগৎপগী থবক চখবা হৌখ্রে হায়রি।

# ইন্দিয়াদা তোখাই তানিংবশিংগী মফম লৈতে ঃ সুব্রামনিয়ম স্বামী

*শ্রীনগর, এপ্রিল ২ঃ*

ইন্দিয়াদা তোখাই তানিংবশিংগী মফম লৈতে হায়না রাজ্য সভাগী বি জে পি মেম্বর সুব্রামনিয়ম স্বামীনা ঙসি অকনবা ৱাফম ফোঙদোকখ্রে।

পাকিস্তান তোখাই তানিংবশিংগী খ্বাইদগী শাফবা মফম অমা ওইরি। লৈবাক অসিদা লৈরিবা তোখাই তানিংবশিং মফম অদুদা চৎখিগদবনি হায়খি।

এম এস এম ই ফগৎহনবদা বেঙ্ককী থৌদাং হায়বা হিরমদা ৱা ঙাংদ্রিঙৈ মাংওইননা লুচিংবা অদুনা পাউমীশিংদা হায়, লৈবাক অসিদা তোখাই তানিংবশিংগী মফম লৈতে। জম্মু অমসুং কাশ্মীরগী চীফ মিনিষ্টর মেহবুবা মুফতিনা তোখাই তানিংবশিংবু লাকশিনবা ঙমদ্রবদি মহাক ফম থাদোক্কদবনি। তঙাইফদনা ষ্টেট অদুদা প্রসিদেন্ট রুল লৈহনগদবনি হায়খি।

ওইরক্লিবা ফিভম অসি য়েংলগা আর এস এসকী লুচিংবা মোহন বগৱাদ লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট ওইহনগদবনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি। লুচিংবা অদুনা হায়, থবক ফংদবশিংনা অদুগুম্বা তোখাই তানিংবগী দিমান্দ অদু তৌরকই।

অদুগুম্বা দিমান্দশিং অদু মহাক মশামক্কী ওইনদি য়ানিংদে। মরম অদুনা দিমান্দশিং অদু চুন্নদবা অমনি। তঙাইফদবা থবক লৌখৎপগী মতম য়ৌরে। ফিভম অদু লাকশিনবা ঙমদ্রবদি ষ্টেট অদুদা প্রসিদেন্ট রুল থমগদবনি হায়খি।

# শ্রীলঙ্কা নেভিনা ইন্দিয়াগী ঙামী ৬ দ্রগ লল্লোনবগী মরালদা ফাজিনখ্রে



*কলম্বো, এপ্রিল ২ঃ*

শ্রীলঙ্কা নেভিনা দ্রগ কিলোগ্রাম ১৩.৫ হুরান-নালাদা পুশিন্নবা হোৎনরম্মী হায়বগী মরালদা ইন্দিয়াগী ঙামী ৬ ঙসি ফাজিনখ্রে। মীওইশিং অদুনা লৈবাক অনীগী মরক্তা লৈবা নেরো ষ্ট্রিফ হায়না খঙনবা সমুদ্রগী শরুক্তা লানশিন্দুনা পাউন্দ ২৯.৭গী ওইগদবা দ্রগ অদু পুশিন্নবা হোৎনরমখিবনি।

মীওইশিং অদু ঙামী ওইনা উহন্দুনা হুরান পোৎশিং অদু পুশিন্নবা হোৎনরমখিবনি হায়না নেভিগী ৱাঙাংলোই চামিনদা ৱালা কুলুগেনা ফোঙদোরক্লি। হুরান পোৎ লল্লোনবশিং অদুনা ঙামী শাদুনা চংশিল্লকখি।

দ্রগ পুশিল্লকদৌরে হায়বা অকক্লবা পাউ ফংবগা লোয়নননা চেকশিন থৌরাং লৌখৎতুনা লৈখি। নেভিনা পুন্না কিলোগ্রাম ১৩.৫গী ওইগদবা দ্রগশিং অদু ফাবা ঙমখ্রে। মমাঙদা গঞ্জা কয়া পুশিল্লক্লবা হোৎনরম্বগী থৌদোকসু লৈখ্রে।

হুরান পোৎ লল্লোনবগা মরী লৈননা ইন্দিয়া মচা ১৯ হৌজিক ফাওবদা ফারে হায়রি। মমাঙ চয়োলদা শ্রীলঙ্গা নেভিনা টমিলনাদুগী ঙামী ১২ ফাজিনখিবসু লৈখ্রে। মখোয় চপ মান্নবা মওংদা হুরান পোৎ পুশিন্নবা হোৎনরম্বশিংনি হায়রি।

টালিনাদুগী চীফ মিনিষ্টরনা প্রাইম মিনিষ্টরদা ফোঙদোকখিবদা এক্সটর্নেল এফিয়ার্স মিনিষ্টর সুসমা স্বরাজ অমসুং টামিলনাদুগী মিনিষ্টর অমদি ঙামীশিংগী লুচিংবশিংগা উন্নখিবা মতুংদা ফাজিনবগী থৌদোক অদু থোকখিবনি হায়রি।

GAS TODAY

**MM GAS**
Booking upto .......19/01/2017
Valid from ........... 02/01/2017
Stk ......................612 (DBTL)
Timing........7.00 to 10.00 a.m

**MISAO GAS SERVICE**
Booking upto .......02/02/2017
Valid from ........... 14/01/2017
Stk ..................................306
Timing........7.30 to 11.00 a.m

**ASHANGBI INDANE, SUGNU**
Booking upto .......10/02/2017
Valid from ........... 28/01/2017
Stk ..................................306
Timing........9.00 to 11.00 a.m

**MAHALAKSMI INDANE GAS**
Booking upto .......20/01/2017
Valid from ........... 12/01/2017
Stk ......................306 (DBTL)
Timing........7.00 to 10.00 a.m

**IMPHAL LPG SERVICE**
Booking upto .......27/01/2017
Sl. No. upto 50340
Valid from ........... 29/12/2016
Stk ..................................306
First Come First Serve

**LAMBODARA INDANE**
Booking upto .......08/02/2017
Valid from ........... 06/02/2017
Stk ..................................306
Timing........7.30 to 10.00 a.m

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-823**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | 8 | | 2 | 7 | | |
| | 6 | | 3 | | | | 9 | |
| 3 | 4 | | | | | | 8 | 2 |
| | | 4 | 9 | 3 | | | | |
| | | | | 4 | | | | |
| | | 1 | 6 | | | 8 | | |
| 6 | | | 1 | | | | 7 | |
| | | | | | | | 5 | 3 |
| | | 8 | 7 | | 3 | | | 1 |

*সনা-সুদোকু- ৮২২ গী সোল্যুস*

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 9 | 1 | 5 | 8 | 6 | 2 | 7 | 3 | 4 |
| 8 | 6 | 2 | 3 | 7 | 4 | 1 | 9 | 5 |
| 3 | 4 | 7 | 5 | 1 | 9 | 6 | 8 | 2 |
| 7 | 8 | 4 | 9 | 3 | 1 | 5 | 2 | 6 |
| 5 | 9 | 6 | 2 | 4 | 8 | 3 | 1 | 7 |
| 2 | 3 | 1 | 6 | 5 | 7 | 8 | 4 | 9 |
| 6 | 2 | 3 | 1 | 9 | 5 | 4 | 7 | 8 |
| 1 | 7 | 9 | 4 | 8 | 6 | 2 | 5 | 3 |
| 4 | 5 | 8 | 7 | 2 | 3 | 9 | 6 | 1 |